# নহাশিংদা লোন্না-থুপ্না হোটেলদা উন্নবগী চৎনবি হেক লৈহল্লিবমখৈ ষ্টেট অসিদা এইদস কন্ট্রোল তৌবা ৱাখিবা য়াই

– ডা. খাইদেম অথৌবা –

ঐচ আই ভি এইদস শন্দোকপগী মরম কয়া লৈ হায়বসি পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মতম অমদা মণিপুরদা লায়না অসি শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমা ওইখিবা হায়রগদি ইঞ্জেক্টিং ড্রগ য়ুজরদগী ওইরমখি। মদুগী মথংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতনা য়ুম্বানবগী মরি থম্বনা ওই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হোয়, ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবা মীওইগী ঈ কাপ্লুবদগী পোজিটিভ ওইবগী কেসসু লৈতবা নত্তে, অদুবু চাংদি য়াম্না নেম্মি। মতম অমদা লুপ কয়ানা রেষ্টুরেন্ট ড্রাইভ চথদুনা লোন্না-থুপ্না উন্নরম্বা পাখং-লৈশা খক নত্তনা ময়ুম পাল্লবা-পাল্লবী নুপা-নুপী কয়া ফাওবা ফাবা থেংনখি। অদুবু ঙসিদি মতমগী ইচেলগী মতুংইন্না রেষ্টুরেন্টদা উন্নবগী মশিং হন্থরক্তুনা হোটেলশিংদা লোন্না থুপ্না উন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। হোটেলদা লোন্না থুপ্না উনবনা লায়না অসি হেন্না শন্দোরক্কনি হায়বদি লৈতে। অদুবু লায়না শন্দোরক্লবগী অচৌবা মচাক অমদি ওইরি। মরমদি চাওখৎলবা মতমনি হায়দুনা লোন্না-থুপ্না হোটেলদা ঐখোয়না খঙউ-উরুদবা থবক কয়া চথদবসু নত্তে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মরি লৈনবশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবগী তঙাইফদবা অমা লমদম অসিদা মথৌ তারক্লি। নৎত্রবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এইদস কন্ট্রোল পোলিসি শেমদুনা লায়না অসি কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরবসু থৌরাং-থৌশিল অসিদা অচৌবা অহোবা অমা হায়বদু ওইরক্কনি। অদুবু হীরম খুদিংমক্তা মঙাই, লায়না অসিগী মতাংদসু গভর্ণমেন্টনা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া শেমদুনা অথিংবা কয়া থমদুনা কন্ট্রোল তৌনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মীওইবা ইশা-ইশানা চেকশিন্নদ্রবদি অদুমক ফুদিৎতা মাঙজোং চোংবা হায়বদু তারগা তোক্কনি। মরম অদুনা হেন্না মরুওইরিবদি ঐখোয় ইশা-ইশানা পুন্সিগী মমল খঙনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াম্না মথৌ তারি। খন্থবা ঙমদ্রিবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবুসু মমা-মপানা চেকশিন্না শেন্নবিবা তঙাইফদে। শোয়খ্রবা মতুংদা শেন্নবগী মহুৎতা শোয়দ্রিঙৈ মমাংদা শেন্নহৌবনা হেন্না অফবা হায়বদু ওইগনি।

২১শুবা চহীচানা লাক্লবদা সাইন্স অমদি টেক্নোজোজিনা খম থেংনা চাওখৎলকপদগী মীওইবনা পুন্সি শাংনা নুংঙাইনা হিংবা ঙম্নরে। লৈবাক মীয়াম্না য়াম্না পাখৎনরম্বা অমদি অশি-অনা কয়া থোক্লম্বদুসু হীদাক-লাংথক কয়া পুথোক্তুনা মায়োক্নরম্বা অৱাবশিং অদু কোকপা ঙম্লে। অদুবু কুমজা ১৯৮৩ গী মমাংদা লৈরমদবা লায়না ঐচ আই ভি এইদস শন্দোরক্তুনা চমজরবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। লায়না অসিগী চপচাবা হীদাক ঙসি ফাওবা পুথোকপসু ঙমদ্রি। অদুবু চাওখৎলবা লৈবাক খরগী সাইন্টিষ্টশিংনা লায়না অসিগী হীদাক পুথোকপা ঙম্লে হায়নরবসু ঙসিসু অদুমক তং তাবা অমা খঙদনা লৈরি।

লায়না অসিনা চহী অমদা য়ামদ্রবদা মালেমগী মীওই লাক্ষ অমগী মথক্তা শিহল্লি। অদুবু ঙসিদি লায়না অসিগী মতাংদা মীয়াম্না এৱ্যার ওইনরক্তুনা দোক্তরশিংগী এদভাইস মতুংইন্না হীদাক-লাংথক চাদুনা অদুমক নোর্মেল পুন্সি মহিংদা চহী শাংনা হিংবা ঙম্লে। লায়না অসিগী চপচাবা হীদাক লৈত্রবসু হৌজিক-হৌজিক শীজিন্নরিবা মখল কয়াগী এ আর টিগী হীদাকশিং চাদুনা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা হিংলবসু তোঙান-তোঙানবা মখলগী হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া অমদি অদুমক ফাওদবা নত্তে। ঐচ আই ভি হায়রিবা লায়না অসিগী মতাংদা পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মদুদি ঐচ আই ভি (হ্যুমেন ইম্যুনোদিফিসিএন্সি ভাইরস) হায়রিবা মীহক অসিনা মীওইবগী হকচাংদা চঙখ্রগা তাইবঙ মপুনা পোকপদা মীওইবগী হকচাংদা পীবিরক্লবা অনাবদগী ঙাকথোকচনবা ইম্যুন সিষ্টম অদুবু মাঙহনখিদুনা লায়েংবা ঙমদ্রবা লায়না এইদস (এক্কায়র্দ ইম্যুনোদিফিসিএন্সি সিন্দ্রেম) হায়বসি নাহল্লকই। মসিনা মীওইবদা তোঙান-তোঙানবা লায়না কয়ানা লান্দারক্তুনা অশিবগী খয়াৎতা তাহল্লি। লায়না অসিনা চমজরবা মীওই কয়াগী পুন্সি মনুং-মতম চাদনা পীখম্নহনখ্রবসু ঙসি ফাওবদা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক পুথোকপদি ঙমদ্রি। মরম অদুনা লায়না অসি মীওইবগী হকচাংদা চঙদনবা চেকশিনবনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগী হৌজিকমক্কী ওইনদি খ্বাইদগী অরায়বা পাম্বৈ ওইরি। অদুবু ৱাফম অসি খঙনা-খঙনা ঙাইহাক্কী অনিংবা-অপাম্ববু লাকশিনবা ঙমহৌদবদগী হৌরক্লিবা মীরোল কয়া লায়না অসিনা চঙলক্তুনা অৱাবগী পুন্সি মহিংদা হিংবা তারক্লি। মালেমগী ওইনা ঐচ আই ভিনা নাবা মীওইগী মশিং অসি কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা দল্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্টকী মতুংইন্না মিলিয়ন ৩৭.৭ ওইরি। ইন্দিয়াদসু লায়না অসিনা নাবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরি। চহী খরগী মমাংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী চাং মণিপুরসু য়াম্না ৱাংনা লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি মণিপুরদা ঐচ আই ভি কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে হায়বা য়াই। অদুমকপু ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা লম্বী কয়াদগী ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরকপা মীগী মশিং অদুমক লৈরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা মালেমগী সাইন্টিষ্ট কয়ানা ঐচ আই ভি এদস লায়নাদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী হীদাক ৩০ রোম হেন্না পুথোক্তুনা হোৎনখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবগী ওইনদি চপচানা লায়না অসিবু ফহনবা ঙম্বা হীদাক পুথোকপা ঙমদনা লৈরি। সাইন্টিষ্টশিংনা ঙসি ফাওবা লায়না অসিগী হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবা অসিগী মরম কয়া লৈখ্রে। ঐচ আই ভি হায়রিবা মহীক অসিনা মীওইবগী হকচাংদা চঙখ্রগা শুপ্নগী লায়না অমত্তনা নাবা হায়বদু ওইদ্রি। লায়না অসিগী মহীক অসি য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা শক্লোন হোংবা হায়বদু ওইরি। ভাইরস অমবু কন্ট্রোল তৌবা হায়বসি চারিবা হীদাক অদুনা অখন্ননা মতম শাংনা চারকপদগী তৌবা ঙম্মী। অদুবু ঐচ আই ভিগী ভাইরস অসিদি খোঙজেল য়াঙনা শক্লোন হোংবা মরমনা হীদাক অদুগী চাবগী কান্নবা ফংদ্রিঙৈদা অতোপ্পা শক্লোন অমদা ওনখিবনা লায়না অসিগী চপচাবা হীদাক পুথোকপা ঙমদবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। অদুবু মেসাচুসেট্সতা লৈবা অমেরিকন ফর্মাস্যুটিকল অমদি বাইওটেক কম্পনি মোদর্নানা পুথোকপা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা এম-আর এন এ হায়বা ভেক্সিন অমা পুথোক্তুনা অহানবগী ওইনা মীওইবদা ক্লিনিকেল ট্রাইএল তৌনবগী অয়াবা ফংখিবগী পাউসু লৈখ্রে। অদুবু ভেক্সিন অসিনা করিগুম্বা মায়পাক্না পুথোক্লকপা তারবসু মালেম পুম্বদা য়ৌহনবা হায়বসিসু অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরি। মরমদি শুপ্নগী অফ্রিকা খক্তদা লায়না অসিনা নাবগী চাং অসি খ্বাইদগী ৱাংবা হায়বদু ওইবগা লোয়ননা লায়না অসিনা নাদবা মালেমদা লৈবাক অমত্তা লৈতে হায়বা য়াই। মরম অদুনা এক্সপার্টশিংগী মোতকী মতুংইন্না লায়না অসিবু কন্ট্রোল তৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি লায়না অসি শন্দোরকপা থিংবা ঙম্নবা হোৎনবা অদুনি হায়রি।

ঐচ আই ভি এইদস লায়না অসিগী মতাংদা মণিপুরগী কন্টেক্সতা য়েংবদা ষ্টেট অসিদা অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৯০দা অহানবা পোজিটিভ কেস থেংনখি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কুমজা ১৯৯৬গী ওক্টোবর ৩দা ষ্টেট এইদস পোলিসি শেমদুনা কুমজা ১৯৯৮গী মার্চ থাদা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) ফোর্ম তৌদুনা লায়চৎ অসি লাকশিন্নবা অকনবা মওংদা মিসন অমগী মখাদা চথবা হৌরকখি। মিসন অদুগী মনুং চন্না কুমজা ২০০৮গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মীওই ২,৪২,৯৬৯গী ব্লদ সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৯,১৪৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। ষ্টেট অসিদা নুপী-অঙাংদা খ্বাইদগী ৱাংনা লায়না অসি শন্দোকখিবা মতম অসি কুমজা ১৯৯৭ অমদি ২০০১দা ওইখি। ষ্টেট অসিদা লায়না অসি পাকশন্না শন্দোক্লবগী মচাক খরা লৈখি। মদুদি ইঞ্জেক্টিং ড্রগ য়ুজর্স, ফেমেল সেক্স ৱার্কস, মেন হেভিং সেক্স ৱিথ মেন, প্রেগমেন্ট ৱিমেন অমদি এস টি দি পেসেন্টশিং অসিনি।

মতম অসিদা হিংনবগী লানফমদা মমা-মপাশিংনা য়ূমদা ঙাইহাক লৈবা ফংদ্রবসু মতম খরদি কাইথোক্তুনা য়ূমগী মীওইশিংগা লোয়নদুনা অফ-ফত্তগী মতাংদা ৱারি শান্নদুনা, য়ামদ্রবদা নুমীদাংগী চাকলেন ফাওবদি পুন্না চামিন্নবা চুমগনি। লোয়ননা অঙাংশিংগী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎননবা হোৎনবিবা ফৈ। মচা-মশুশিংনা ঙসি করি থবক তৌরুই, কদাইদা চৎলুই অমদি কনা-কনাগা করম্বা মরুপ-মপাশিংগা লোয়নরি শেন্নদ্রবদি অৱাবা মমা-মপাশিংনা অদুমক তাহৌগনি।

অমরোমদা করিগুম্বা থৌদোক অমদগী নত্রগা চেকশিনহৌদবদগী চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ঙসিদি এইদস পোজিটিভ ওইরবসু করিসু পাখৎনিংঙাই লৈতে। মদুবু লোৎশিন্নদুনা থম্বগী মহুৎতা দোক্তরশিংগা তান্নদুনা হিদাক লাংথক চারবদি পুন্সি শাংনা নোর্মেল মীওই অমগুম্না হিংবা য়ারে। ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইরবসু হিদাক ফজনা চারবদি পোজিটিভ ওইদবা নুপা নত্রগা নুপী অমগসু অদুমক লুহোংদুনা য়ুম্বান লম্বীদা চঙশিনবা য়ারবা মতমনি। লোয়ননা হিদাক চারবদি পোজিটিভ ওইরবা নুপা নত্রগা নুপী অদুনা মাগী নুপা অমদি নুপী অদুদা মখা তানসু ঐচ আই ভি শন্দোক্লরোই অমদি মখোয় অনীনা পোক্লকপা অঙাংদা ঐচ আই ভি লায়না লৈহন্দবা য়ারে।

লমদম অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক হেরোইন ললোনবগী থবক পাকশন্না হেক তৌরিবমখৈ অমদি লোন্না থুপ্না হোটেলনচিংবা মফমশিংদা উন্নবগী চৎনবী লৈরিমখৈ ঐচ আই ভি/এইদস লায়না অসি মীওই অমদগী অমদা শন্দোরকখিগনি। মরম অদুনা খুন্নাই অসিদা লৈমিন্নরিবা মীওই চা খুদিংমক্না মরুওইনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংবু য়াম্না চেকশিন্না শেন্নবিবগা লোয়ননা ঐচ আই ভিগী লায়না মতৌ করম্না মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকই খঙমিন্নদুনা ইশা-ইশানা চেকশিন্না লৈবা তঙাইফদে। হোটেল কয়াদা ইনখৎলক্লিবা নুপামচা অমদি নুপীশিংনা উন্নদুনা চেকশিন থৌরাং য়াওদনা লোন্না-থুপ্না য়ুম্বানবগী মরি থম্বা অমদি চাহৈ-থকহৈদবা অমসুং তৌহৈদবা থবক হেক তৌরিবমখৈদি ঐচ আই ভি এইদস লায়না অসিদগী লাই মক ফাওবা লাক্লবসু কনবদি অদুমক ৱাগনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইদনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ অসিগুম্বা থবক অসিদগী লাপথোক্না লৈনবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা মমা-মপা ওইবশিংনসু মচা-মশুশিংবু চেকশিন্না শেন্নবিবগা লোয়ননা লায়না অসিগী মতাংদা ইকাই ফিরুক হাংদোক্তুনা তাকপী-তম্বিহৌবনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইবগা লোয়ননা ইমা লৈবাক মণিপুর ঈংনা-চিক্লা লৈবা ঙমগনি। ●

## আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# মণিপুরদা ওর্গানিক ফার্মিং অমদি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম্না লৌমীশিংগী তুংগী আশানি

– বিজয় লাইশ্রম –

এগ্রিকলচরগী খ্বাইদগী হেন্না শেন্দোং লৈবদি ঙা য়োকপা অমদি এনিমেল হজবেন্দ্রি অসিনা ওইরি। হোর্টিকলচর তৌবসু শেন্দোং য়াম্না লৈ। অদুবু শেন্দোং খরা ৱাৎপা এগ্রিকলচর অসি ফিশরি অমদি এনিমেল হজবেন্দ্রি য়াওনা অহুম অসি পূন্না চঙশিল্লগদি মমাঙঙৈগী ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা তম্বীরম্বা গ্যান অমদি অহলশিংনা হায়বিরম্বা ঐগী লৌফম অসিদা পুখ্রি অমতং তৌরগা ঙা খরা থাদৌ অদুগা পুখ্রিগী অকোয়বদা ওর্গানিক্কী মনা-মশিংগী পোৎ চৈশিং থাও, য়েনখাদা য়েন অমদি খুনু থম্মু নৎত্রগা চীংগী লমদনা ওক লোয়য়ু, য়েনখাদা খোই উপু খরদং থমজিল্লু, খোইহি লৌনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসি ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা য়াম্না মীৎয়েং শান্না উরম্মী।

অহল লমনশিংনা তাকপীরম্বা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম অসি হৌজিক্তি য়াম্না চাওখৎলবনিনা স্মোল বেজ সাইন্টিফিক সিষ্টম ফার্মিং অসি ঐখোয়না চঙশিল্লবা মতমদা ঐখোয়গী লৌমীশিংগী অৱাবা অসি কোক্কনি। ঐগী ক্রোপ অদু তীল তাদুনা অমদি ঈশিং ঈচাও থোক্লগসু এনিমেল হজবেন্দ্রি, পোলত্রি অমদি পিগরিদগী মেক অপ তৌবা য়াগনি হায়না লম্ অসিদা মমুৎ তানা খঙলবা এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা মপানগী অচৌ অচৌবা ষ্টেটশিং য়ু পি, বিহার, মহারাষ্ট্র, পঞ্জাব, হরয়ানা, রাজস্থান অমদি অন্ধ্র প্রদেশনচিংবদি চহী খুদিংগী, সিজন খুদিংগী ফামরশিংগী সুইসাইদকী কেসশিং লৈ। অদুবু মণিপুরগী ফার্মরশিংদি ঙসি ফাওবা সুইসাইদ তৌবগী কেস অমত্তা লৈত্রি। মসিগী মরমদি মপাল ষ্টেটকী ফার্মরশিংদি ক্রোপ অমা লৌ পরি ৫/৬ পুরা থারে। অদুনা লায়না তীলনা তারে, ঈশিং ঈচাও অমদি ইকংসু থোক্লে। অদুনা মরম ওইদুনা বেঙ্কতগী শেল পুরুবনিনা ক্রোপ অদু লাইবক থীদুনা ফেল ওইবা মতমদা বেঙ্কতগী লৌরুবা শেনফম অদু শিংবা ঙমদবদগী মশা মতোমতা সুইসাইদ তৌবনি। অদুবু লাইবক ফবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসিদনা অহল লমনশিংনা তাকপীরম্বা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম অসি তৌই। ক্রোপ খক্তং থাবগী মওং অদু তৌদে। ঐখোয়গী তুংগী ওর্গানিক্কী মনা-মশিং অমদি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম অসিনা তুংগী আশানি অদুনা মসিদা ওইনা ঐখোয়গী লৌমীশিংনা লৌউ পথাপ অসি চখ্থরগদি শেন্দোং ফংবা ঙমগনি।

মণিপুর অমদি মপান লমদা মীয়াম্না য়াম্না দিমান্দ লৈবগা লোয়ননা হাওনা চানরিবা চাকহাও পুথোক্কে হায়রগসু ওর্গানিক ওইবা চাকহাও পুথোক্কদবনি। মণিপুরগী চাকহাও অসি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা য়াম্না দিমান্দ লৈ। মণিপুর অসি লৈবাক লৈহাও ফবা লমদম অমনি । অহল লমন অমদি এক্সপার্টশিংনা হায়, মণিপুর অসি য়াম্না লৈবাক লৈহাও লৈবা মরম্না মেদিসিন



প্লান্ট মখল ১২০০ রোম ফংই। অদুগা তোঙান তোঙানবা উরৈ মখল ৫০০ রোমসু ফংই। ৱা মখল ৫৫, উচেক মখল ৬৯৫ রোমসু লৈ।

তোঙান তোঙানবা ইন্দিজিনস ঙা মখল ১৫০ রোম ফংবা লমনি। ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিংনা মসিগা শাগোন্নরগা লাকপনি। মণিপুরগী নোংজুগী চাং অসি চাওরাক্না য়ামদ্রবদা চহী অমদা ১১৩৭.১ এম এমদগী ২৪৩৯ এম এমগী চাংদা তাবা য়াওই। লৌউ শিংউবদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অসি ঈশিংনি। মরম অদুনা ঈশিং য়োক্লবা উমং-ৱামং য়োকখৎপা, ঈথৈ লৌখোং ফগৎহনবা অসি য়াম্না মরু ওই। মসি ঐখোয়গী মীয়াম অমদি মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা পূন্না ৱাখল তামিন্নবা, পূন্না থবক তৌমিন্নবা অমদি মীৎয়েং শান্না য়েংবা মথৌ তাই। মীপাল তাংদনা হিংগে হায়রগদি ঐখোয়গী লৌমীশিংগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং অদু করি করিনো হায়বা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং ফংহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই।

ঐখোয়গী লৌমীশিং অসি হৌজিক অয়াম্বনা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা অয়াম্বা ফংদবনা কুমগী নোং লাক্লগা থবক তৌই। মসি হোংদোকপা মথৌ তারে। মতমগী মতুংইন্না চাওখৎলকপগী অনৌ অনৌবা টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা লৈনুংদগী ঈশিং চিংখৎলগা মতম মতমগী মহৈ মরোংশিং থানবা হোৎনবা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী এক্সপার্টশিংনা লৌমীগা পূন্না খূৎশম্নরগা থবক পায়খৎনবা হোৎনবীগদবনি।

মীয়ামগী থৌগল তৌগনি হায়না থোরক্লিবা মীওইশিংনা ভোটকী মতমদা ব্লেক মনি ময়াম পুথোক্তুনা ভোট কানবা তোঙান তোঙানবা মখলগী টেক্নিক পুথোক্তুনা হোৎনরিবা অদুগী মহুত্তা চহী অমগী লৌ লোকপা লোইখ্রবা মতুংদা লৌফমশিং অয়াম্বা হাঙদুনা থম্বগী মহুত্তা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা মাগী মাগী এ সীশিংগী মনুংদা লৈরিবা অহাঙবা লৌফমশিং অদুদা চহী চুপ্পা শংহন্দুনা লৈহন্নবা থবক লৌমীশিংগা খূৎশম্নরগা পায়খৎমিন্নরবদি য়াম্না লায়না ভোট কাগনি। লোয়ননা অদুগুম্বা মীয়ামগী খনবা মীওই অদুদা মীয়াম্নসু শোয়দনা ভোট পীনীংগনি। অদুগা লমদম অসিসু চাবদা মীপান তাংদবা, নুংঙাইবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী লৌফমদা মহৈ মরোং থাবা মতমদা মথৌ তাবা ঈশিং ফংহন্নবা পুখ্রি, তুরেলশিং অমদি পাৎশিং নিংথিনা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বীনবা থৌরাং পায়খৎপীগদবনি। মণিপুরগী মরু ওইবা তুরেলশিং নোংজু থাগী মতমদা তুরেল খোংনুং ঈশিং মবুক থন্না চেল্লগসু নিংথম থাগী মতম অমদি জন্যুৱারী, ফেব্রুৱারী, মার্চ, এপ্রিল, মে ফাওবা অসি অয়াম্বনা ঈশিং নেম্না চেল্লি। ওক্টোবর, নবেম্বর, দিসেম্বর থাসু তুরেলশিং অসি ঈশিং নেম্না চেল্লি। অদুবু মণিপুরগী মরু ওইবা ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, কোংবা তুরেল, থৌবাল তুরেলনচিংবা অসিগী তুরেল খোংনুংদা ঈশিং ফিট ১০ ফাওবদি লুনা থম্নবা থবক মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎপীরগদি লৌমীশিংনা দবল ক্রোপ পায়খৎপদা য়াম্না খুদোং চাগনি। তুরেল খোংনুংদা হায়দ্রেল দাম কিলোমিটর ১০/১০গী চাংদা ৱাংনা শাদুনা থম্বীরগদি মণিপুরদা ঈশিংগী অৱাবা অমদি খরদি হন্থগনি। মীয়াম্নসু পোখোক পুথোক্লিবা লৌমীশিংবু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবীগদবনি।

অমরোমদা, লৌমীশিংনা মহৈ মরোং পুথোক্লবা হোৎনবদা মথৌ তাবা চাংদগী কেমিকেল ফর্টিলাইজর অসি কা হেন্না শীজিন্নবীরোইদবনি। লৌমীশিংনা কেমিকেল ফর্টিলাইজর কা হেন্না শীজিন্নরবদি লৈবাক লৈহাও মাঙথরক্তুনা মখা তানা মহৈ মরোং থাবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা লৌফম হেক্টর লাখ ১.৯০ ওইরম্বা অদু তপ্না তপ্না হন্থরক্লি। হান্না লৌ উনরম্বা লৌফম কয়া য়ূম-কৈ, ইন্দষ্ট্রিজ, স্কুল, কোলেজ, লৈকোলনচিংবা শাগৎলক্লিবা অসি থিংবা ঙমহৌদ্রগদি চাথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা তুংদা অৱাবা অমা চাওনা মায়োক্লরকপা য়াই।

মণিপুরগী চীংগী লমশিংগী হাঙদুনা লৈরিবা মফমশিং অসিদা লৈবাক লৈহাও হান্না চাংয়েং তৌরগা হোর্টিকলচরগা মরী লৈনবা হৈ-রাশিং থারগা পোখোক পুথোকপদা চহীদা লুপা লাখ কয়া লায়না তানবা ঙমগনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কোমলা, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মৌসুমি, কোমলা, কিহোম অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী উ মোরোক, চমপ্রা অমদি কোমলা থাদুনা পোখোক হেন্না পুথোক্তুনা চহীদা লুপা লাখ কয়া তানবা ঙম্বা মীওই কয়া থোরক্লে। মখা তানা হেন্না পোখোক পুথোকপা ঙম্নবা মখোয়দা সবসিদি য়াওবা শেন্থং খরা লৈঙাক্লা পীবিরবদি লৌমীশিং হেন্না পোখোক পুথোকপা ঙমগনি।

মতম মতমগী হৈ-রাশিং অসি লীরগা থমদুনা অমদি অচারনচিংবা শেমদুনা য়োনবদা নহা ওইরিবা কয়া য়াম্না কোম্না হিংবা ঙম্লে হায়রি। অদুবু চীংগী মফম খরদা লোনা য়াদবা পোপি পাম্বীশিং পাক শন্না থাদুনা য়াম্না লায়না শেল তান্নবা হোৎনরিবশিং অসি লৈঙাক্লা মতম চানা থিংবা ঙমহৌদ্রগদি ঐখোয়গী তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহাশিংদা অচৌবা চৈথেং অমদি চাওনা মায়োক্লগদৌরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# মনিতোনদা লাইনিংথৌ পুথিবা লাই হরাউবা নেসনল এৱার্দ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচ এন এস): হৌখিবা চহী ২০ লোমগী মমাংদগী মৈতৈ/মীতৈগী আইদেন্টিটি ঙাক্তুনা থম্নবা অমদি মীতৈগী আইদেন্টিটি শাগৎনবগী মচাকশিং মপূং ফানা য়াওরবা উমং লাই হরাউবা মাঙখিদনবা থিজিন্দুনা লাকখিবা উকলগী কনভিনর ওইবদা নৎতনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ উমং লাইদা গেষ্ট ফেকল্টি ওইনা তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌরিবা মুতুম মনিতোনদা মহাক্কী হোৎনজমলবু শকখঙবা ওইনা ত্রিপুরা লাইনিংথৌ পুথিবা ৱেলফেয়ের সোসাইটিনা মুতুম মনিতোনদা লাইনিংথৌ পুথিবা লাই হরাউবা নেসনল ,ৱার্দ ২০২২গী মনা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।




নেসনল এৱার্দ অসি খূৎশিন্নরকপদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ উমং লাই হরাউবনা পাঙথোকপা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মহাক্লা হায়, দিপার্টমেন্ট অসিনা মহাকপু হরাউ তরাম্না ওকপীবা অসি উবদা থম্মোয়দা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওই। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা মীরোলশিংনসু এৱার্দ অসি ফংনবা হোৎনবদা উমং লাইগী মরমদা হেন্না খঙহন্নবা অচৌবা থৌদাং মখা তানা লৌখিগনি। হৌখিবা চহী ২০গী মমাংদগী হৌরগা উমং লাই অমদি লাইফমশিং থিজিন্দুনা লাকখি। মণিপুর খক্তা নৎতনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা উমং লাই হরাউফমদসু চৎতুনা অমদি হরাউবগী কাঙলোনশিং থিজিন্দুনা লাকখি। মীতৈ ঐখোয়গী আইদেন্টিটি শাগৎনবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিং অসি উমং লাই হরাউবদা য়াওরগা লৈবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মচাকশিং অসি কায়খিদনবা অমদি মাঙখিদনবগীদমক হৌখিবা চহী ২০ লোম অসি হোৎনদুনা লাকপনি।

হন্দক ফংলিবা নেসনল এৱার্দ অসিগী মথক্তসু মমাংথক্তা লম্ অসিদা হোৎনজরুবগী মহয় ওইনা নেসনল এৱার্দ ৩ অমদি ইন্টরনেসনল এৱার্দসু ফংখ্রে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ উমং লাই হরাউবগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দনা হায়, হৌখিবা চহী কয়াদগী মুতুম মনিতোনন্না হোৎনজরুবগী মহয় ওইনা এৱার্দ অসি ফংলকপা তশেংনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। মহাক উকলগী কনভিনর ওইবতা নৎতনা দিপার্টমেন্ট অসিনা হেক লিংখৎলকপদগী উমং লাই হরাউবা কন্ননবগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্লা এৱার্দ অসি ফংলকপদা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংদা অচৌবা ঈনোৎ অমা হাপ্পা হায়বদু ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ উমংলাই হরাউবগী গেষ্ট ফেকল্টি ডা. নোংমাইথেম লাইঙম, লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দকী ফোর্মর মেম্বর কাংজম বিধুসু শরুক য়াখি।

# জে দি (য়ু)গী মেনিফেষ্টো ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচ এন এস): পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন অসিদা চাওনা শরুক য়াগদৌরিবা পার্টি অমা ওইরিবা জনতা দল (য়ু) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওইনা ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ঙসি কৈশাম্পাৎ হোদাম লৈরক্তা লৈবা পার্টি অসিগী নেসনল ইলেক্সন ওফিসর অনিল হেগ্রে, জনতা দল (য়ু) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হংখাপাও টাইথুল অমদি পার্টি অসিগী মরুওইবা মেম্বরশিং য়াওনা ফোঙখ্রে।

পার্টি অসিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ২০২২ অদুদা মরুওইনা পোইন্ট ২৮ লোম য়াওরি। মসিগী মনুংদা মণিপুরগী লৈমায়দগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর্স এক্ট লৌথোকপা, লালহৌবগী লৈরিবা প্রোব্লেম লোইশিন্নবগীদমক ঈংনা-চিক্লা ৱারী শাদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনবা, লমদম অসিগী মশীং য়াম্লবা থবক ফংদনা লৈরিবা নহাশিংবু থবক পীনবা হোৎনবা, খূৎশা হৈহন্নবগীদমক লমদম অসিগী মীওইশিংবু য়োকখৎপা অমদি শেঞ্জা-থুমজা মপূং ফানা মুখৎতুনা অফবা গভর্নেন্স অমা পুরকপা ঙম্নবগী থবক পায়খৎপনচিংবা ৱাফমশিং য়াওরি। পার্টি অসিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টো ২০২২ ফোঙবগী থৌরম অদুদা মরুওইবা থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

INGKHOL AND BUILDING ON SALE

Land plot with an area of about 10 points along with a 2 storeyed building (almost ready to move in) at Wangkhei area on sale. Rate of the land - Rs. 3,500/- per square foot. Price of the building will be separate. Price negotiable. No broker. Please contact # 9863663106.

HL-P/1728/9,10,11

ONE OF THE BEST STRATEGY
FOR INTRADAY OR DAY TRADING BY USING CPR INDICATOR

DATE:-
25TH AND 26TH FEB. 2022
TIMING:- 7.00 AM TO 9.00 AM

100% MONEY BACK GUARANTEED

ENROLLMENT FEE - RS.1499/-
INTRODUCTORY OFFER RS.499/-
OFFER VALID TILL DATE. 22.2.22

*Online Course in Manipuri Language
Apps:- Zoom HD

Free Workshop on 20.2.22
Investment Vs Swing Vs Fno/Intraday
ELIGIBILITY: ZERO KNOWLEDGE OF TRADING
DATE:-20.02.22 & TIME:- 7 .00 AM TO 8.30 AM

• Experience in Trading are only Eligible.

For Details Contact/Whatsapp
+91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY
"A Friend You Can Trust"

HL-P/1740/11,12,13